# লাস ভেগাসকী কন্সর্টতা গনমেন ১ না মীওই ৫৮ হাৎখ্রে , মীওই ৫০০ রোম অশোক অপন নংখ্রে

লাস ভেগাস, ওক্টোবর ০২ :

যুনাইটেদ ষ্টেটসকী অনৌবা পুৱারীদা নোংমৈ কাপ্পুনা পাক্তক্লনা মী হাৎপগী খ্বাইদগী শাথীবা থৌদোক্তা ঙরাং অহিং গনমেন অমনা য়ামদ্রবদা মীওই ৫৮ হাৎতুনা লাস ভেগাসকী কন্সর্ট অমা কিল্লিং ফিল্ড ওন্থোকখ্রে। মন্দলে বে কসিনোগী মনাক্তা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মীওই ৫০০ রোম অশোক-অপন নংখ্রে হায়না এ এফ পিনা পুলিসকী ওফিসলশিং পল্লদুনা ফোঙদোক্লি।

লাস ভেগাস মেট্রোপোলিটান পুলিস ডিপার্টমেন্টনা ষ্টিভন পেদক কৌবা মীওই অমনি হায়না আইদেন্টিফাইদ তৌখিবা সস্পেক্ট অদু পুলিসনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে। সস্পেক্ট অদু লাস ভেগাসকী লোকেল মীওই অমনি অমসুং মহাক মথন্তনা এটেক অদু পাঙথোকখি অমসুং মহাক মিলিটেন্ট গ্রুপ অমৎতগা মরী লৈনদে হায়না ক্লার্ক কাউন্টিগী সেরিফ জোসেফ লোম্বার্দোনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

নোংমৈনা পানবদা নৎতনা মীপাইবদগী চেন্নবদা লৌশিন্নবা অমসুং নেৎশিন্নবদা মীওই ৫০০ গী মথক্তা অশোক-অপন নংখ্রে। সুটর অদুসু শিখ্রে অমসুং মখা শাংথনা অকিবা পীবা লৈত্রে হায়না লোম্বার্দোনা মখা তাখি।

সুটরদুগা মরী লৈননা পুলিসনা ভেহিকল অনী কোইথি থিরি। মখোয়দুদি অমনা হয়ুন্দাই টক্সন নেভাদা/১১৪ বি ৪০ নি অমসুং অতোপ্পদুনা ক্রিস্লর পেসিফিকা নেভাদা/৯৭৯ দি ৪০১ নি। পুলিসনা মেরিলৌ দানলি কৌবা নুপী অমসু থিরি। রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না মহাক সস্পেক্ট অদুগা লোয়নবা নুপীনি হায়রি।

লাস ভেগাস অসি মরুওইনা গেমব্লিংগীদমক্তা মমিং চৎলবা রিজোর্ট সিটি অমনি। নুমিদাং পুং ১০ গী মতুং ঙাইহাক লৈরগা এটেক অদু চথখিবা মতমদা গেমব্লিং, সোপ্পিং মফমশিং অমসুং বার কয়া মী থন্না লৈনখি হায়রি।

থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা থিংজিল্লুরবা ফ্রীৱেশিং অমুক হন্না চৎথোন-চৎশিন য়াহনখ্রে। অদুবু মেইন রোদতগী নোংপোক পাংনা হাইদোকখিবা লম্বীশিংদি সারারা এভিন্যুদগী রুশল রোদ ফাওবদি মখা তানা থিংখি হায়রি।

পুলিসনা মীয়ামদা মন্দলে বে কসিনোগী অকোইবা এরিয়াদা চঙদনবা খঙহনখি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তুনা মরম ওইদুনা লাস ভেগাস এয়রপোর্টতা থুংগদবা ফ্লাইট খরদি থৈখ্রে।

সেরিফ লোম্বার্দোগী মতুং ইন্না, গনমেন অদুনা এটেক অদু মন্দলেন বেগী ৩২ শুবা ফ্লোরদগী পাঙথোকখি। লোয়ননা মহাকপুসু মফমদুদা হাৎখি।



# স্পেনিস প্রাইম মিনিষ্টর রাজোয় ক্রাইসিস মায়োক্লরকপা য়াবগী ফিভম লৈরে

বার্সিলোনা, ওক্টোবর ০২ :

কাটালোনিয়াদা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ঈরাং কয়া থোকখিবা নীংতম্বগী রেফরেন্দমনা স্পেনগী খ্বাইদগী ইনাক খুল্লবা লমদম তোঙান্না তানবগী লম্বী ফাৎখিবগা লোয়ননা ডিকেদ কয়াগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর মারিয়ানো রাজোয় স্পেনগী খ্বাইদগী চাউবা কনষ্টিট্যুস্নেল ক্রাইসিস মায়োক্লরক্লে।

কাটালান কেপিটেল বার্সিলোনাগী লম্বীশিং নিংথৌকাবা নুমিৎতা পূমচিক চিকখি, তৌইগুম্বসুং পাউচেশিংগী ইদিটোরিয়লশিংনদি অথিংবা লৈন-লৈনা নম্ফুদা পাঙথোকখিবা রেফরেন্দম অদুনা মাদ্রিদ অমসুং লমদম অদুগী মরক্তা অতাবী অমা ফংনবা হোৎনবগী মুক্লবা অমা লাকহল্লগনি হায়খি। রেফরেন্দম অদুদা ভোটর চাদা ৯০ না স্পেন থাদোকপগী ৱাফম শৌগৎতুনা ভোট পীখি হায়না কাটালান ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

স্পেনিস পুলিসনা ভোট থুগায়নবা হোৎনবদা বেটনশিং অমসুং রবর বুলেটশিং শীজিন্নখিবা মতুংদা মোদরেট কাটালান পাউচে লা ভেনগার্দিয়ানা মসিগী ইদিটোরিয়লদা ‘থোকহন্নিংদবা ফৎতবা থৌদোক কয়া থোক্লকপা য়াই’ হায়না ইখি। কাটালান ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, পুলিসনা ভোট থুগায়নবা হোৎনবগী থোকখিবা ঈরাংদুদা মীওই ৮৪০ রোম অশোক-অপন নংখি। ‘ঐখোয় ষ্ট্রাইকশিং অমসুং ষ্ট্রীট প্রোটেষ্টশিংগী তাঙ্কক অমদা চঙশিল্লক্লি হায়না কাটালোনিয়াগী ওফিসলশিংদুনা ফোঙদোকখি।

কাটালোনিয়া অসি স্পেনগী ইকনোমিগী শরুক মঙা থোকপগী অমা স্যের তৌরিবা ইন্দষ্ট্রি অমসুং টুরিজমগী সেন্টর অমনি। লমদম অসি ভোলকসৱেগন, নেষ্টলি য়াওনা মরুওইবা মল্টিনেস্নেলশিংগী প্রদক্সন বেজ অমা ওইবদা নৎতনা য়ুরোপকী খ্বাইদগী গ্রোথ ৱাংবা সিপ্পিং পোর্ট অমনি।

ভোটরশিংনা নীংতম্বগী রাইট তানখ্রে হায়না কাটালোনিয়াগী রিজনেল লীদরনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা লাউথোকখি অমসুং মহাক্লা রেফরেন্দমগী রিজল্টশিং অদু নীংতম্বগী মোসন খন্নবগী পাৱর লৈবা লমদম অদুগী পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্লনি হায়খি।

কার্লেস পিগদেমোন্টকী কম্মেন্টশিং অদু নীংতম্বা লাউথোক্তে হায়বদা খাকখি, তৌইগুম্বসুং মহাক্কী ৱাফমশিং অদুনা রিজনেল গভর্নমেন্ট মুথৎলগা কাটালোনিয়াবু অনৌবা মীখল পাঙথোক্ত্রিফাওবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী কন্ট্রোল মখাদা থম্বগী কনষ্টিট্যুস্নেল পাৱর পায়রিবা রাজোয়বু শীংনখি।



# চাইনানা অরূনাচলগী বোর্দরগা নক্লনা টিবেটতা অনৌবা হাইৱে হাংখ্রে



বৈজিং, ওক্টোবর ০২ :

টিবেটকী প্রোভিন্সিয়ল কেপিটেল লাসাগা অরূনাচল প্রদেশকী বোর্দরগা নক্লনা লৈবা নিংচিগা শম্নবা ডোলর বিলিয়ন ৫.৮ চঙবা কিলোমিটর ৩০৯ গী এক্সপ্রেস হাইৱে অমা চাইনানা নোংমাইজিং নুমিৎতা হাংদোকখ্রে।

কিলোমিটর ৪০৯ গী টোল-ফ্রী এক্সপ্রেসৱে অদুনা টিবেটকী লমকোইবশিংনা পাম্নবা মফমশিং ওইরিবা মরুওইবা সিটি অনী শম্নহল্লে হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

এক্সপ্রেসৱে অদুনা লাসাদগী নিংচি ফাওবা চৎপগী মতম পূংদা কিলোমিটর ৮০ গী স্পীদ লিমিটতা পূং নিপানদগী মঙাদা তেনশিনহনখ্রে।

টিবেটকী এক্সপ্রেসৱে অয়াম্বা মিলিটরিগী হীরমদা শীজিন্নবা য়াই। মসিনা চাইনিজ মিলিটরিদা ট্রুপ অমসুং খুৎলাইশিং পুথোক-পুশিন তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা পী। টিবেটতা ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাউনা শেমগৎলিবদু য়েংদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদসু মান্নবা থবকশিং পায়খৎপা হৌখি। মতম খরগী ওইনা লাসা-নিংচি এক্সপ্রেসৱেদা অচৌবা ট্রকশিং শীজিন্নবা থিংলি হায়না সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া-চাইনা বোর্দরগী য়েৎনবদা কিলোমিটর ৩,৪৮৮ শাংবা লাইন ওফ একচ্যুঅল কন্ট্রোল (এল এ সি) কোল্লিবনি। চাইনানা অরূনাচল প্রদেশপু সাউত টিবেটনি হায়না ক্লেম তৌরি। অমরোমদা ইন্দিয়ানদি চাইনানা কুমজা ১৯৬২ গী লানদা লৌশিনখিবা অকসাই চিন এরিয়া অসি য়েৎনরিবা লমনি হায়রি।

# কোওর্দিনেটেদ বোমিংদা মীওই ১০ শিরে

*দামাসকস, ওক্টোবর ০২ :*

*সিরিয়াগী কেপিটেল দামাসকসতা নিংথীনা শিন্নদুনা চথখিবা বোমিং এটেকশিংদা মীওই ১০ হেন্না শিরে হায়না সোর্স কয়ানা ফোঙদোকখ্রে।*

*নিংথৌকাবা নুমিৎতা দামাসকসকী অল-মিদন নৈবরহুদতা লৈবা পুলিস ষ্টেসন অমগী মনাক্তা কার বোম অমা পোকখায়খি অমসুং মদুগী মতুং মতম পংকান কান্নদনা সুইসাইদ বোমরশিংনা মখোয়গী এক্সপ্লোসিভ বেল্টশিং পোকখায়হনখি হায়না য়ু কেদা বেজ ওইবা সিরিয়ন ওবজর্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোকখি। মীওই ১১ দুগী মনুংদা পুলিস ওফিসরশিং অমসুং মীচমশিং য়াওখি লোয়ননা এটেকশিং অদুদা অশোক-অপন কয়াসু থোকখি হায়রি।*

*সিরিয়ন ষ্টেট টি ভিনা অল-মিদন এরিয়াদা সুইসাইদ বোমর অনীনা বোম পোকখায়হনখি হায়খি অমসুং প্রো-সিরিয়ন অল মায়াদীন টিভি চেন্নেলগী পাউনা ফাইটর মরিনা এটেকতু পাঙথোকখিবনি অমসুং মীওই ১০ শিখি হায়খি।*

# নুপী ২ কিম জোং নাম হাৎখিবগী ৱায়েল মায়োক্লরি

কুলা লম্পুর, ওক্টোবর ০২ :

নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং-উনগী পোকমিন্নদবা ময়াম্ববু হু শীজিন্নরগা হাৎখি হায়না মরাল শীখ্রবা নুপী অনীনা মখোয় মরাল লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এয়রপোর্টতা থৌনা ফনা মীহাৎ অদু পাঙথোকখিবা থা নিপানমুক্কী মতুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা মলেসিয়াগী হাই কোর্টতা মখোয়গী ৱায়েল হৌবদা নুপীশিং অদুনা মখোয় মরাল লৈতে হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দোনেসিয়াগী সিটি আইস্যা অমসুং ভিয়েটনামগী দোং থি হুওং কৌবী নুপী অনী অসি হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১৩ দা কুলা লম্পুরগী মী চিল্লবা এয়রপোর্টকী টর্মিনেলদা কিম জোং নামগী মমায়দা অথিংবা থম্বা ভি এক্স নর্ভ এজেন্ট তৈথি অমসুং মদুনা মহাকপু মিনিট ২০ গী মনুংদা শিহনখি হায়না চিংনবদগী পুলিসনা ফাখিবনি। নুপী অনীসিনা মখোয় হিদ্দন কেমেরা সো অমগা মরী লৈননা খুদোংথীনিঙাই ওইদবা ফাগীগী এক্ট অমদা শরুক য়ারিবনি খনখি হায়না ফোঙদোকখি।

চার্জশিং অদু মখোয়গী মরোলশিংদা পাথোকপীনবা হায়জরবা মতুংদা মখোয় মরাল লৈ হায়না লৌবরা হায়না হংবদা মখোয়নিমক মকোক হাইখি।

নোর্থকী লীদর কিম জোং-উননা মহাক্লা অমুক্তসু উনখিদ্রবা পোক-মিন্নদবা ময়াম্বা অমা হাৎনবা লাংখিবা চহী মঙাগী থৌরাং অমগী শরুক ওইবা মীহাৎনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী স্পাই এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবা এয়রপোর্টতা পাঙথোকখিবা মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা মলেসিয়ন পুলিসনা ফারিবসি নুপী অনীসিদনি। পুলিসনা হায়রি মদুদি, মীহাৎ অদুদা চেন্নৈ হায়না চিংনবা নোর্থ কোরিয়ন কয়া কেমিকেল এটেক চথখিবা নুমিৎ অদুদা মলেসিয়া থাদোক্তুনা চৎনখি অমসুং অতৈনা পিয়োংয়াংগা তৌনবা ডিপ্লোমেটিক দীল অমদা তুংদা মলেসিয়া থাদোকপা য়াহনখি।

করিগুম্বা কনভিক্ট তৌরবদি শিবগী চৈরাক ফংবা য়াবা নুপী অনীগী লোইয়রশিংনা কোর্টতা প্রোসি-ক্যুটরশিংবু চার্জসীট অদুদা পল্লিবা কিম হাৎনবগী চপ মান্নবা ৱাখল চেনবা মীওই মরিগী মশক তাকহল্লু হায়না তকশিনখি। ফজবা ৱায়েল অমদা খঙনিংবা য়াবগী রাইট য়াওগদবনি হায়না আইসাহগী লোইয়র গূই সূন সেংনা কোর্ট অদুদা হায়খি। চার্জ অদু য়াম্না নাখে শেংগদবনি, অনী থোক্লা খলহনবা য়ারোই হায়না সেংনা মখা তাখি।

প্রোসিক্যুটরশিংনা হৌজিক মখোয়গী ৱিটনেসশিং কৌবা হৌরগনি। অহানবা ৱিটনেসশিংদি মীশি অদু করম্না থোকখিবগে হায়বা ঙম্বা মেদিকেল এক্সপার্ট খরা ওইবা য়াই হায়রি।



# ফ্রান্সকী ট্রেন ষ্টেসনদা থাঙগী এটেক চথদুনা মীওই ২ হাৎখ্রে, আই এসনা এটেক অদু ক্লেম তৌখ্রে

পেরিস, ওক্টোবর ০২ :

ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা ক্লেম তৌখিবা ফ্রান্সকী মেদিটরিনিয়ন সিটি মার্সিলিগী মরুওইবা ট্রেন ষ্টেসন অমদা নোংমাইজিং নুমিৎতা চথখিবা এটেক অমদা থাঙ পায়বা মীওই অমনা নুপী অনী হাৎখ্রে লোয়ননা মীওই অদুসু পেট্রোল পাঙথোক্লিবা লান্মীশিংনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়রি।

ক্রিমিনেল রেকোর্দ লৈবা চহী ৩০ খরা হেনবগী লেঙ্গা ওইবা এটেক্কর অদুনা ভিক্টিম অমদি খৌরিদা থাঙনা লেনখি। ৱিটনেসশিংগী মতুং ইন্না থাঙ পায়বা নুপাদুনা এটেক অদু হৌরকপদা অলাহু অকবর হায়না লাউখি।

টেররিষ্টশিংনা এটেক তৌবা য়াই হায়না চিংনবা মফমশিং ঙাক শেন্নবা লিংখৎখিবা সেন্টিনেল হায়না খঙনবা পর্সনেল ৭,০০০ কী অখন্নবা ফোর্সকী কাঙবুশিংনা এটেক অদুদা রেস্পোন্দ তৌখি অমসুং এটেক্কর অদুবু কাপ্পুনা হাৎখি।

মীওই অদু মশক মমিং খঙদ্রি। ফ্রেঞ্চ ইন্টরিয়র মিনিষ্টর গেরার্দ কলমনা ৱিটনেস দজন অমরোম ৱাহং পাউহং চথরি হায়না ফোঙদোকখি।


এটেক অসিদা টেররিষ্টকী মমি তাই তৌইগুম্বসুং মদুমক কনফার্ম তৌবদি ঙনমল্লি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

ঐহাক্লা ষ্টেসনগী মমাঙগী এসপ্লানেদতা লৈরিঙৈদা কনাগুম্বা অমনা অলাহু অকবর হায়না লাউরকপা তাখি অমসুং ঐহাক্লা অমুবা ফিজোল ঙাক্তা শেৎপা নুপা অমা উখি হায়না মেলানি পেটিট কৌবা চহী ১৮ গী লেঙ্গা ওইবা মহৈরোয় অমনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

তুংদা আই এসকী অমাক প্রোপে-গন্দা এজেন্সিনা সিক্যুরিটি সোর্ছ অমা পল্লদুনা হায়খি, ‘মার্সিলি সিটিদা থাঙনা থিনবগী ওপরেসন অমা পাঙথোকখিবা মীওই অদু ইস্লামিক ষ্টেটকী লান্মীশিংগী মরক্তগীনি।’

এটেক অদুনা মরম ওইদুনা ফ্রান্সকী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা সিটি অদুদা খুৎলাই মতিক চানা পায়বা পুলিসনা রেল টর্মিনস অদু থিংজিনখি অমসুং মফমদুদা লৈরম্বা মীওইশিং খুদোংথীবা থোক্লোইদবা মফমদা হোংদোকহনখি।

কুমজা ২০১৫ দগী ফ্রান্সতা জিহাদিষ্টশিংনা পূন্না মীওই ২৩৯ হাৎখ্রে। মসি নোংমাইজিং নুমিৎকী এটেক অদুগী মমাঙদা লৈরম্বা মশিংনি।



# রোহিংয়া রেফ্যুজীশিং হলহনবগী পান্দমদা বাংলাদেশনা ম্যান্মারগা ৱারী শানবা হৌখ্রে

ধাকা, ওক্টোবর ০২ :

ম্যান্মারদগী চেল্লকখিবা মিলিয়ন তঙ্খাই অমা হেনবা রোহিংয়া মুস্লিম রেফ্যুজী হলহনবা য়ানবগী পান্দমদা বাংলাদেশনা য়ূম্লোন্নবা ম্যান্মারগা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ৱারী শানবা হৌখ্রে। রেফ্যুজীশিংদু অয়াম্বনা হৌখিবা ওগষ্টকী অথেংবদা লাকখিবনি।

হৌখিবা ওগষ্ট ২৫ দগী নোরদর্ন রখাইন ষ্টেটতগী রোহিংয়া ৫০৭,০০০ বাংলাদেশতা চেনখিবদুবু মালেমদা খ্বাইদগী থুনা থোকখিবা রেফ্যুজী ইমরজেন্সিনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা বুদ্ধিষ্টশিংনা মশিং য়াম্বা ম্যান্মারনা রোহিংয়া মুস্লিম মাইনোরিটি মুথৎনবগী অকনবা কেম্পেন অমা চথরি হায়রি। অমরোমদা ম্যান্মারনা য়ু এনগী ৱাফম অসি রিজেক্ট তৌখ্রে। ওগষ্ট ২৫ দা রোহিংয়া লালহৌবশিংনা নিংথীনা শিন্নদুনা চথখিবা এটেকশিংগী পাউখুম ওইনা ম্যান্মারগী ফোর্সশিংনা রখাইন ষ্টেটকী অৱাং থংবা শরুক্তা লালহৌবশিং তকথোকপগী মীংদা অকনবা মিলিটরি কেম্পেন অমা চথখি।

ম্যান্মারনা লালহৌবশিংবু মীচমশিংদা এটেক তৌই অমসুং মখোয়না রখাইন লমদমদা রোহিংয়া খুঙ্গং ৪০০ গী তঙ্খাই অমা হেন্না মৈ থাদুনা উৎ ওলহনখ্রে হায়না মরাল শীরি। লালহৌবশিংনদি ম্যান্মারগী ওথোরিটিশিংগী ৱাফম অসি য়াদ্রি। খ্বাইদগী নৌবা মীশি-মীনাগী ঈরাং অদু অয়াম্বনা লালহৌবশিং ওইদুনা মীওই ৫০০ হেন্না শিখ্রে হায়না ম্যান্মারনা হায়রি।

বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর শৈইখ হসিনানা মীশি-মীনা থোকহনবা ঈরাংদু লোইশিন্নবা অমসুং রেফ্যুজীশিংনা হল্লকপা য়ানবা সেফ জোনশিং শেম্নবা অপীল তৌখ্রে। মহাক্লা য়ু এনগী অচুম্বা থিদোক্লবগী মিসন অমা ম্যান্মারদা থাননবা অমসুং ম্যান্মারনা হান্নগী য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল কোফি অনাননা লূচিংবা টিম অমনা রখাইনগী প্রোব্লেমশিং সোল্ব তৌনবা পীখিবা রেকমেন্দেসনশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌনবসু ডিমান্দ তৌখ্রে।

ধাকাদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোরন মিনিষ্টর অবুল হশন মহমুদ অলি অমসুং ম্যান্মার গভর্নমেন্টকী ওফিসল চো টিন্ট স্বেগা ৱারী শানবদা য়ু এন টিমগী প্রপোজেল মঙাদা বাংলাদেশনা মীৎয়েং থমগনি মরুওইনা রেফ্যুজীশিং হলহনবগী ৱাফমদা মীৎয়েং থমগনি হায়না বাংলাদেশকী ফোরন মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে। ঐখোয়না ক্রাইসিস অসি শুপ্পগী মীফম অমদা লৈখাই তাবা য়াগনি হায়না থাজদে হায়না মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা ওফিসল অদুনা হায়খি।

ম্যান্মারনা রোহিংয়াশিংদা চথবা থৌওংশিংগা মরী লৈনবা ক্রাইসিস অসি কুমজা ২০১৫ গী অথেংবদা মীখলদা চাউনা মায় পাকখিবা মতুং হৌখিবা চহীদা গভর্নমেন্ট অমা শেমখিবদগী নেস্নেল লীদর ওং সান সু চিনা মায়োক্লরিবা খ্বাইদগী চাউবা প্রোব্লেমনি। নোবেল পীছ প্রাইজ ফংখ্রবী লূচিংবী অসিনা হৌখিবা থাদা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা ম্যান্মারনা ১৯৯৩ দা বাংলাদেশকা য়ানখিবা এগ্রীমেন্ট অমগী মখাদা ভেরিফিকেসনগী প্রোসেস অমা হৌনবা শেম-শারে অমসুং প্রোব্লেম অমৎতা য়াওদনা লৈবাক অসিদগী চৎখিবা রেফ্যুজীশিং লৌশিনগনি হায়খিবনি।



# নৱাজ শরিফ অমুক হন্না পি এম এল - এনগী চীফ খল্লগনি

ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ০২ :

পাকিস্তানগী রুলিং পিএমএল - এননা ঙসি পার্টি অসিগী কনষ্টিট্যুসন এমেন্দ তৌবগী ৱাফম য়ানদুনা মফম তাখ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর অমুক হন্না হল্লকপা য়ানবগী লম্বী ফাৎখিবগা লোয়ননা নৱাজ শরিফপু হয়েং পার্টি অসিগী লূচিংবা ওইনা অমুক হন্না খল্লগনি হায়রি।

মশাগী চহী ৬৭ শুরবা শরিফ পানামাগী চে-চাংগী ৱাথোক্তা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টনা হৌখিবা জুলাই ২৮ দা ডিসক্বালিফাইদ তৌখিবদগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখিবনি।

পি এম এল - এনগী সেন্ট্রেল ৱার্কিং কম্মিটিনা শরিফকী লীদরসিপতা নৌহৌননা থাজবা থম্বগী রিজোল্যুসন অমা পাস তৌখি হায়না পাকিস্তানি মীদিয়ানা ফোঙদোকখি।

লীদরশিং অদুনা পার্টিগী কনষ্টিট্যুসন অদু পব্লিক ওফিস পায়দ্রবসু মীওই অমনা প্রসিদেন্সি হেক্তা পায়বা য়াহনগদবা মওংদা শেমদোকপা হায়নসু য়ানখ্রে হায়না দোন পাউচেনা হায়খি।

সী দব্লিয়ু সীগী সেসন অদু পি এম এল - এনগী চ্যেরমেন রাজা জফারুল হকনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখি। মদুদা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর সাহবাজ শরিফ, প্রাইম মিনিষ্টর শহিদ খকন অব্বাসি অমসুং ইন্টরিম প্রসিদেন্ট সিনেটর সরদার য়াকুব নাসিরসু শরুক য়াখি।

হন্দক্তা ইলেক্সন বিল ২০১৭ পাস তৌখিবনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অদুনা পি এম এল - এন অমুক হন্না পায়বা য়ানবগী লম্বী ফাৎখ্রবনি। পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর অমসুং লোৱর হাউস অনীমক্লা পাস তৌখিবা ইলেক্সন বিল অদু পাকিস্তানগী ইলেক্সন সিষ্টেম শেমদোক্লবগী লোশিংনি।

একাউন্টেবিলিটি কোর্ট কারুবা মতুং নৱাজ শরিফনা পঞ্জাবতা হল্লক্লবা মতুং ঙসি অঙনবদা ইনফোর্মেল এদভাইজরি সেসন অমা পাঙথোকখি। পানামাগী চে-চাংগী কেসতা নেস্নেল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরো (নাব) না মহাক অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মায়োক্তা শেমখিবা করপসনগী কেস অহুমগা মরী লৈননা কৌরকখিবা মতুংদা নৱাজ শরিফনা ঙসি একাউন্টে-বিলিটি কোর্ট কাখিবনি।

মহাক্কী লোইয়রনা এক্যুজ খুদিংমক হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীদ্রিঙৈদা কোর্টতা লাক্কদবনি হায়না য়েৎপদগী কোর্টনা মহাকপু ক্রাইম অমৎতগা মরী লৈননা চার্জ তৌখিদে।



# ‘দ্যুটর্টেগী প্রেসরদা ফম থাদোক্লোই’

মনিলা, ওক্টোবর ০২ :

সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস মরিয়া লোর্দিজ সেরেনোনা মহাক্কী পোজি-সনদগী খোঙফম হন্দোক্তুনা লৈ অমসুং মহাক্কী ফমদগী রিজাইন তৌরোই হায়না ঙসি চীফ মাজিষ্ট্রেটকী কেম্পনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরভ্যু অমদা চীফ জষ্টিসকী স্পোক্সমেনশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লোইয়র জোসা দৈনলানা হায়খি, সেরেনোনা মহাকপু মফম থদৎপা য়াবা নৎত্রগা মফমদগী রিজাইন তৌবা য়াবা লোনা য়াদবা থবক অমৎতা তৌদ্রি।

চীফ জষ্টিস রিজাইন তৌরোই মরমদি মহাক্লা লোগী মায়োক্তা ওইবা, ইলিগল ওইবা অমসুং ইমপিচ তৌনিঙাই ওইবা অমৎতা তৌখিদ্রি। তৌইগুম্বসুং মহাক্লা পান্দ্বদি চীফ মাজিষ্ট্রেট ওইনা মহাক্কী মথৌ মখা তানা পাঙথোকপনি হায়না দৈইনলানা হায়খি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা প্রসিদেন্ট দ্যুটর্টেনা সেরেনো অমসুং ওমবুদজমেন কোনচিতা মোরালিজ রিজাইন তৌনবা ডিমান্দ তৌখি। ঐহাক্লা মখোয়নিবু (সেরেনো অমসুং মোরালিজবু) শীংনরি, ঐখোয় কোংগ্রেসতা চৎকনি অমসুং অচম্বা থৌরম অমদা লেট্টর ওফ রেজিগনেসনদা সাইন তৌবা য়াই।



ঐহাক্কী য়াওনা লাইরিক পূম্বা হাংদোক্তুনা অচুম্বা য়েংনসি হায়না দ্যুটর্টেনা ফোঙদোকখি।